**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরগী ইরাং অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা গৃহ মন্ত্রালয়না শিন্দুনা কাংলুপ অনিগী মাওইশিং ঙসি দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক্তা লৈবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিদা চত্তুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে।

৩) মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা অখাক অরাউ য়াওনা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই।

৪) ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মরক্তা ঙাকশেল অমদি ইনর্জি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমদা লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীননবা য়ান্ন-চে কয়া সহি তৌনখ্রে।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ছত্তিসগরদা মথং চহিগী মার্চ ফাওবদা নক্সলাইটকী ইরাং লোইশিন্নবা সরকারনা পান্দম থল্লি।

------

টোল্ক (এল)ঃ মনিপুরগী ইরাং অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা গৃহ মন্ত্রালয়না শিন্দুনা কাংলুপ অনিগী মীওইশিং ঙসি দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদুদা কেন্দ্র সরকারগী মাইকৈদগী ইন্তেলিজেন্স ব্যুরোগী হান্নগী স্পেসিয়েল দাইরেক্তর এ.কে. মিশ্রানা ইন্তরলোক্যুটর ওইখি। ৱারী শান্নবা অদুদা অমুকো, ফোক্স, য়ু.সি.এমগী মীহুৎ ৬ অমদি কুকি জো কাউন্সিল, জোমি কাউন্সিল, মার ইনপুই, কুকি ইনপি মনিপুরগী মীহুৎ ৭ না শরুক য়াখি।

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক্তা লৈবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিদা চত্তুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে। মফম অদুদা রাজ্যপালনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিতি অসি শানবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং- মৈ, ঈশিং, লম লৌশিনবা অমসুং লম্বীগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মীফম অদুদা এন.বি.সি.সি (ইন্দিয়া) লিমিতেদকী মীহুৎশিংনা শেমগৎ শাগৎলিবা অদুগী অকুপ্পা ৱারোল থমখি।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি, রাজ্যপালগী সেক্রেটরি, নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর, কম্মিসনার, সেক্রেটরিশিং, দিপ্যুতি কম্মিসনার ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি য়ুনিভর্সিতি অসি শেমগৎ শাগৎপগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মীফম অদ্দা রাজ্যপালনা য়ুনিভর্সিতি অসি শাবদা থৌদাং লৌরিবা ষ্টেক হোল্ডরশিংদা অপিবা মতমদা য়ুনিভর্সিতি অসি লোইশিন্নবা পাউতাক পীখি। তুংদা, রাজ্যপালনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী মহৈরোইশিংগা রাজ্যপালগা ফম্মিন্নদুনা খন্নখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী এক পের মা কে নাম কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা রাজ্যপালনা য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা উ চারাশিং থাখি।

বিদ্যালায়া (এল)ঃ কেন্দ্রিয়া বিদ্যালায়া সনগথন রিজনেল ওফিস তিন্সুকিয়াগী দিপ্যুতি কম্মিসনার তাওরেম প্রিতমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেলপাৎতা লৈরিবা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালায়া নম্বর ৱান য়েংশিনখ্রে। দিপ্যুতি কম্মিসনারনা বিদ্যালায়া

অসিগী ষ্টাফশিং, মহৈরোইশিং অমসুং বিদ্যালায়া অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলিবা ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

দিপ্যুরিতি কম্মিসনার বিদ্যালায়া অসিগী ষ্টাফশিংগী ফম্মিন্নদুনা একাদমিক্কী ওইবা ৱাফমশিং খন্নবগা লোয়ননা নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ অমসুং নেসনেল কুরিকুলম ফ্রেমৱার্ক ২০২২ গা মরী লৈননা পায়খৎকদবা থবকশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

ককচিং (এল)ঃ  মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস দি. কৃষ্ণকুমারনা ককচিং চুমাম লৈকাই মচিন মনাউ চীংলক্তা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সতা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা চীফ জষ্টিসনা মণিপুর হাই কোর্টকী জজশিং, জষ্টিস এ. বিমোল অমসুং জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা লোয়নখি।

তুংদা, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অসি থবক হৌনবা, কোর্ট কমপ্লেক্সকী অকোইবদা খারিবা শন্বল অথুবা মতমদা লোইশিনবা অমদি সেক্যুরিতি মতিক চানা থন্বীনবা ৱাফম খন্নখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিসার (লো) নুংশিতোম্বী অথোকপম, ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দ, থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাস, ককচিং জিলাগী এস.পি. প্রিদরসিনি লাইশ্রম য়াওনা অতৈ ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

মেট (এল)ঃ  মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা অখাক অরাউ য়াওনা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, নোনে, কাংপোকপী অমসুং তমেংলোং জিলাশিংদা ঙসিদগী হৌদুনা হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি। রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা হয়েং অখাক অরাউ য়াওনা নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি।

ডে (এল) ঃ ইনটাক মনিপুর চেপ্তুর অমদি রোংমৈ লিটরেচর সোসাইতিনা পুন্না শিনদুনা ইন্টরনেসনেল মাদর লেঙ্গোইজ ডে থৌরম ঙসি জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীদা পাঙথোকখ্রে।

'ইনট্যনজিবল কলচরেল হিরিটেজ ফোল্কলোর এন্দ ওরেল ত্রেদিসন ওফ দা ইন্দিজিনস রোংমৈ কম্ম্যুনিতি ওফ মনিপুর' হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-ইমালোল য়াওনা ঐখোয়গী মীহৌরোলদগী লৈজরক্লবা হেরিটেজশিং ঙাকবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা সাহিত্য একাডমী এৱার্দি-সরতচান্দ থিয়া, মনিপুর ষ্টেট কালা এৱার্দিসু ওইরিবা রোংমৈ লিটরেচর সোসাইতিগী প্রসিদেন্ট-রাগোংনিং গাংমৈসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা টেকিকেল সেসন অমদি পেনেল দিসক্সন্নচিংবা পাঙথোকখি।

সিসিপুর (এল)ঃ হেলথ সার্ভিসেসগী ডাইরেক্তর চম্বো গোলমৈনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা মফমদ অদুদা রেবিস লায়না শন্দোরক্লিবা অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

তুংদা, দিপ্যুতি কম্মিসনার ওফিসকী মিনি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ভেটেরিনারি বিভাগ অমসুং হকশেল বিভাগকী ওফিসিয়েলশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লায়না অসি থেংননবগী মতাংদা খন্নখি।

নোনে (এল)ঃ নোনে ভেটেরিনারি হোস্পিতালনা দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিস তমেংলোংগী মখাদা মোবাইল ভেটেরিনারি য়ুনিতনা শিন্দুনা শা-ষনশিং তিকা থাদোকপগী থৌরম অমা নোনে জিলাগী লোংসাই অমসুং লোংমাই পার্ট ফোর ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লোংসাই খুলদা ষন ২০০ রোম ফুড এন্দ মাউথ দিজিজগী, ওক ৩০ রোমদা ক্লাসিকেল স্বাইন ফিভর অমসুং হুই ১০ দা এন্তি রেবিস ভেক্সিন কাপখি।

অমরোমদা, লোংমাই পার্ট ফোরদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা হুই ৩০ রোম এন্তি রেবিস ভেক্সিন কাপথোকখি।

থৌনি (এল)ঃ কোংবা লৈথোং ফাৎপা, শজিবু লৈখুন ফুনবগী থৌরম মণিপুর পন্দিৎ লোইশঙনা শিন্দুনা ঙসি কোংপাল নাউরোইবম লৈকাই মনাক্তা লৈবা অঙোম পোকপা অমদি নিংথেম পোকপগী লাইফমদা লৈবাক্কী য়াইফনবগীদমক ইরাৎ থৌনি পাঙথোকখ্রে।

মোদি ঃ ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মরক্তা ঙাকশেল অমদি ইনর্জি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমদা লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীননবা য়ান্ন-চে কয়া সহি তৌনখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং শ্রীলঙ্কাগী রাষ্ট্রপতি অনুরা কুমারা দিসানায়াকেগা ঙসি কলম্বোদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা চাওখৎ থৌরাংগী তেংবাং পীননবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- শ্রী অনুরা কুমারা দিসানায়াকেনা শ্রীলঙ্কাগী রাষ্ট্রপতি ওইরক্লবা তুংদা ভারত্তা ইহান হান্না লাকখিবা অদুনা লৈবাক অনিগী অচেৎপা অমসুং তোপ তোপ্পা মরী লৈনৈ হায়বদু উৎলি। মহাকা হায়- ভারতকী য়ুমলোন্নবনা হান্না হায়বা থৌশিল অদুগী মখাদা শ্রীলঙ্কাগী তোপ তোপ্পা মফম অমা লৈ। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী ঙা ফাবা মীওইশিংগী মতাংদা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা তুং কোইনা চৎনগদবা থৌশিলগী মতাংদসু খন্নখি। শ্রী মোদিনা ঙা ফাবা মীওইশিং ফাজিনবা মতমদা য়ারিবা মখৈ অথুবা মতমদা থাদোক বা অমসুং মখোয়গী হিশিং পীথোকবগী মতাংদসু পনখি।

শ্রীলঙ্কাগী রাষ্ট্রপতিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সবকা সাথ, সবকা বিকাশ হায়বা ৱাখল্লোনবু থাগৎলদুনা মসি য়ামা মতাং চাবা অমসুং মতমগা চুনবা থৌশিলনি হায়না ফোংদোকখি। ভারতনা শ্রীলঙ্কাগা মরুপ মপাং ওইবগী মরী থমদুনা লেপ্তুনা মতেং পাংবগীদমক থাগৎলদুনা শ্রী অনুরা কুমারানা হায়- বোধা ধর্ম্ম অসি শ্রীলঙ্কানা ভারত্তগী ফংবা অতাঙবা খুদোলনি। ভারতকী সেক্যুরিতি অমসুং মরা চেৎপা ফিভমদা শিংনবা য়াবা থবক অমত্তা শ্রীলঙ্কাদা তৌহল্লোই।

অমিত ঃ  গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ছত্তিসগরদা মথং চহিগী মার্চ ফাওবদা নক্সলাইটকী ইরাং লোইশিন্নবা সরকারনা পান্দম থল্লি।

ছত্তিসগরগী দান্তেৱারা জিলাদা পাঙথোকপা বাস্তর পান্দম লোইশিনবগী থৌরমদা গৃহ মন্ত্রিনা মাওইষ্টশিং খুৎলায় থাদোকবা অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা লাকবা আপীল তৌখি। বাস্তর পান্দম অসিগী খুথাংদা ছত্তিসগরগী ত্রাইবেলশিংগী খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং য়োকখৎপগীদমক থাগৎলদুনা গৃহ মন্ত্রি হায়- মথং চহিদগী ত্রাইবেল জিলা খুদিংমক্কী আর্টিষ্টশিং থৌরম অসিদা শরুক য়াহল্লগনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি বিষ্ণুদিও সাই, উপ-মুখ্য মন্ত্রি বিজয় শর্ম্মনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। মদুগী মমাংদা গৃহ মন্ত্রি দান্তেৱারাগী মা দান্তেশ্বরি মন্দিরদা চত্তুনা লাই খুরুমখি।

গৃহ মন্ত্রিনা ঙসি নুমিদাং ছত্তিসগরগী কোনুং রাইপুরদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মীফম পাঙথোক্তুনা লেফটৱিং এক্সত্রিমিজম লোইশিন্নবা থবকশিং কয়া য়ামা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বদু য়েংশিনগনি।

জেকে ঃ  জম্মু কাশ্মীরদা অন্তরজাতি ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা নারোনদা চংলকপা পাকিস্তান মচা অমা বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। মীওই অদু ঙরাং অহিং নারোনদা চংল্লকপনি হায়রি।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা বি.এস.এফকী পাউ পল্লদুনা হায়- ঙরাং অহিং জম্মুগী আর.এস পুরা সেক্তর ঙমখৈ পরিংদা মীওই অমা চংশিল্লকপা উবদগী বি.এস.এফনা মীওই অদু নোংমৈনা কাপখিবনি।

হেলথ ঃ  লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা চৎননবা নেসনেল হেলথ ওথোরিতি অমসুং দিল্লি সরকারগী মরক্তা ঙসি এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনখ্রে।

কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দা অমসুং দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা এম.ও.য়ু অদু সহি তৌনখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিল্লিগী হকশেল মন্ত্রি পঙ্কজ কুমার সিংহনা হায়- থৌরাং অসিগী মখাদা চহিদা ইমুং

অমমমদা লুপা লাখ ৫ গী হকশেলগী তেংবাং পীরি। মহাকা হায়- দিল্লি সরকারনা ইমুং অমমমদা লুপা লাখ ৫-৫ হাপচিনদুনা চহিদা লুপা লাখ ১০ গী হকশেলগী তেংবাং ফংহল্লগনি। হায়রিবা খুদোংচাবা অসি লৈবাক অসিগী পাব্লিক অমসুং প্রাইভেট ইমপেনেল হোস্পিতালশিংদা ফংহনগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল(এল)ঃ ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না তিদিম রোড এথলেতিক য়ুনিয়ন (ত্রাউ)বু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু.এস.এনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রি।

ফুটবোল(এল)ঃ ১৫ শুবা লোক্তাক ত্রোফি, অন্দর সভেন্টিন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- অমোফা একাদমি মোইরাংনা জি.দি.সি থিনুংগৈবু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি. লমজাউনা হৈবোং মখোঙ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, ৱাইখোং এফ.সিনা পি.এফ.টি.সি সমারামবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

কাং (এল)ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- য়াইস্কুলনা থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ১৭-৯ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ  অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- টি.সি.এম.দি.সি থোংজনুনা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ  অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- থাউ থাংমৈবন্দনা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকপু ৱিকেট ৭ তা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.সি.সি ময়াই কোয়বীনা পি.টি.আর.সি পাৎশোইবু রন ৫০ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর টোইন্তি থ্রি-হাওবম বিরমঙ্গোল মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী লিগ মেটচতা আরই.ই.ৱাই.এস খ্বাই নাগামপাল লামাবম লৈকাইনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা এ.এম.সি.এ থৌবালনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সিবু ৱিকেট ১ দা, চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিনা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৫ দা, পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখাবু রন ২০ দা থোইখি।

ট্রাইয়েল (এল)ঃ ৪২ শুবা ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৩ দা ব্লু স্পোর্টস একাদমি শঙাইপ্রৌদা পাঙথোক্লগনি।

------